এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট

# এম পি এস সী-সী অমদি তেকচম পোলো ক্লব প্রি ক্বার্টর চঙখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্সরাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ৩৬ শুবা এন হাজারি এন্দ ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-সীনা ইকোপ নিংথৌ পোলো ক্লব খাঙবোকপু লাকচনা ১৮-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পুলিস টিমনা অহানবা চক্কর অনী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা গোল ১১ চনবা ঙমখি। অদুগা অহুমশুবা চক্করদা গোল ৪ অমদি মরিশুবা চক্করদা গোল ৩ চনশিন্দুনা ইকোপ নিংথৌ টিমবু ১৮-২দা মায়থীবা পীখি।

টি রোশননা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.৩১দা পুলিস টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ০.৫২ অমদি ২.৪৫দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। অরোইবা চক্করগী শান্নবগী ১.৫৯ অমদি ৫.১২দা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না গোল ৫ চনবা ঙমখি।

টিম কেপ্টেন এম জৱাননা অহানবা চক্করগী ২.০৫দা পুলিস টিমগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৩.৪৩ অমদি ৬.৫৪দা গোল ২ হাপচিনবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা চক্করদা গোল ২ অমগা হাপচিন্দুনা পূন্না গোল ৫ চনখি।

এস অবুংচানা অনীশুবা চক্করদা গোল ২ অমদি অহুমশুবা চক্করদা ১ পূন্না গোল ৩ চনবা ঙমখি। অদুগা কে ঐচ অরুনকুমারনা অহুমশুবা চক্করদা ২, অনীশুবা অমদি অরোইবা চক্করদা অমমম্ পূন্না গোল ৪ চনখি। এস বিমোলনা অহুমশুবা চক্করগী ৫.৪৮দা পুলিস টিমগী মায় পাকপগী ১৪ শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

ইকোপ নিংথৌগী গোল ২ অদুনা টিম কেপ্টেন ঈ অমর্জিৎনা অহুমশুবা চক্করগী ৩.১৫ অমদি ঐচ দেবদট্টনা অরোইবা চক্করগী ৪.৩৯দা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা তেকচম পোলো ক্লবনা মৈরাবা পোলো ক্লব খোয়াথোংবু ১১-১দা মায়থীবা পীখি।

টিম কেপ্টেন কে জোগেন্দ্রোনা অহানবা চক্করগী ২.২৭তা তেকচমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী শান্নবগী ৩.৩৮ অমদি অহুমশুবা চক্করগী ৬.১৪দা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি। এস রঞ্জিৎনা অহানবা অমদি অনীশুবা চক্করদা গোল অমমম্ চনখি।

ঐচ মুহিন্দ্রোনা অনীশুবা চক্করদা অমা অদুগা অহুমশুবা চক্করদা অনী পূন্না গোল ৩ চনখি। এম দোরেননা অহুমশুবা চক্করদা গোল ২ অদুগা এম অভিজ্ঞাননা অরোইবা চক্করদা গোল ১ হাপচিন্দুনা মৈরাবা পোলো ক্লবপু ১১-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

মৈরাবা ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সী ঐচপ্রদিপনা অনীশুবা চক্করগী ২.৩১দা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা এল কোকেশ্বর অমদি টি ঐচ জেকোবনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ

# সুপ্রিয়া ফাইনেল চঙখ্রে, সাগর চনু ব্রোঞ্জ ফংহৌরে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): মণিপুরনা যূম্বু ওইদুনা খুমন লম্পাক্কী বোক্সিং এরেনাদা চথরিবা ৫শুবা জুনিয়র গর্লস নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি মঙানি চনবা নুমিৎতা শান্নখিবা কেজি ৫২-৫৪গী সেমীফাইনেল বাউট অমদা ষ্টেটকী বোক্সর সুপ্রিয়া থোকচোমনা অরুনাচল প্রদেশকী টার্হ পায়াবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

কাঙলূপ অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল বাউট অমদা উত্তর প্রদেশকী ববিতা সিংহনা উত্তরখন্দগী ভুমিকা মহারবু ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ষ্টেটকী বোক্সর সুপ্রিয়া থোকচোম অমদি য়ু পিগী ববিতা সিংহ অনীনা কাঙলূপ অসিগী ফাইনেল বাউটতা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, কেজি ৪৬-৪৮ কাঙলূপকী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল বাউটতা ষ্টেটকী বোক্সর ময়েংবম সাগর চনুনা হরয়ানাগী পরিগী মখূৎতা ২-৩দা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

কাঙলূপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল বাউটতা মহারাষ্ট্রগী পলক জম্বারেনা রাজস্থানগী দিসা গোরাবু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

কেজি ৪৪-৪৬ কাঙলূপকী সেমীফাইনেল বাউট অনীদা হরয়ানাগী লক্সমী সিংহনা চান্দিগরগী নিধিবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা অদুগা মহারাষ্ট্রগী তনুশ্রী অম্বোকরনা মধ্য প্রদেশকী নিলম খুশৱাহাবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

কেজি ৫০-৫২গী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল বাউট অনীদা হরয়ানাগী য়াসিকা অমদি রাজস্থানগী নিশা মায় পাক্লুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কামজোংগী এম এল এ লৈশিয়ো কৈশিংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিল্লগনি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# মীয়াম পূন্না খঙমিন্নরসি... কনা কনানা করম-করম্বা টিমদা লেপ্লি

জে সী মায়া






এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরি সাপম কেনেদি

## ৱানা ঙাইমিন্নরকপা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট শুপ্নগী নুমিৎ ১৮নি খক্তা ঙাইশিল্লক্লে

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা দিসিজন লৌবদা হেন্না এক্যুরেসি ওইনবা অহানবা ওইনা কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা শীজিন্নগদৌরিবা সেমী ওটোমেটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি (এস ও এ টি) অসিবু রেফরি কম্যুনিটি অমা ওইনা খৌরাংনা ঙাইরি হায়না কুমজা ২০১৪দগী হৌনা ঙসি ফাওবদা চহী ৯ চুপ্না এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরিগী লাইসেন্স পায়রিবা সাপম কেনেদিনা ফোঙদোরক্লি।

অনৌবা টেক্নোলোজি অমা ওইবনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবসু টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবা মতুংদদি কয়াম য়াম্না ইফেক্তিভ ওই হায়বা খঙবা ঙল্লগনি। ২০১৪ ব্রাজিল ৱর্ল্ড কপতা গোল-লাইন টেক্নোলোজি হৌদোকখ্রবা মতুং ২০১৮ রসিয়াদা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর) হৌদোকখিবা অসিনা ফুটবোলগী পুৱারীদা হান্না দিসিজন লৌবদা চাদা ৮৭ নোর্মেল এক্যুরেসি ওইরম্বদগী চাদা ৯৭কী চাংদা এক্যুরেট ওইবা ঙল্লে। অনৌবা হৌদোক্কদৌরিবা টেক্নোলোজি অসিনা শান্নরোয়শিংদা রেদ কার্দ পীবা মতমদা অচৌবা খূদোংচাবা অমা শোয়দনা পীবা ঙল্লগনি।

কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা ঐগী ওইনা ইংলেন্দ টিমদা অহানবা প্রাইওরিটি থম্মী অদুগা জর্মনিনা অনীশুবা প্রাইওরিটি ওইনা থম্লি।

ইন্দিয়ন রেফরিশিংনা ৱর্ল্ড কপ য়ৌনা চঙশিনবগী মতাংদা কেনেদিনা ফোঙদোক্লদুনা, হৌজিক ফাওবগী ওইনা ২০০২ সাউথ কোরিয়া/জপান ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট ফিফা রেফরি অমা শরুক য়াখিবা অসি নৎতনা অমত্তা লৈত্রি। হৌজিক্কী মতমদা ৱর্ল্ড কপ মেটচ কন্দক্ত তৌবা অসি য়াম্না চঙই। মসি ইন্দিয়ন ফুটবোলগী ষ্টেন্দর্দকসু য়াম্না মরী লৈনৈ।

হৌজিক্তি হান্নগুম্না রেফরিশিংনা ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিভিজ্যুএল চৎপগী খূদোংচাবা লৈত্রে। গ্রুপ ওইনা চৎপনা ৱর্ল্ড কপ য়ৌবা হায়বসি অৱাবা অমা ওইখিগনি। এসিয়াগী হায়রগসু জপান অমদি চাইনানচিংবগী ফুটবোলগী ষ্টেন্দর্দ অসি য়াম্না ৱাংখৎলকপনা খূদোংচাবশিং অসি মখোয়দা হান্না পীখিগনি।

‘কটার ৱর্ল্ড কপ অসিদা অহানবা ওইনা শীজিন্নগদৌরিবা সেমী ওটোমোটেদ ওফসাইদ টেক্নোলোজি (এস ও এ টি)বু খৌরাংনা ঙাইরি’
- সাপম কেনেদি

ৱর্ল্ড কপতি লায়রদনা এসিয়াগী মেটচ ফংদবগী ফীভমদা লাক্কদৌরে। এ এফ সীগী কম্পিটিসন অয়াম্বদা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভি এ আর) শীজিন্নরে। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী কম্পিটিসন অমত্তদা ভি এ আর শীজিন্নদ্রি। ষ্টেট অসিদগী ভি এ আরগী ট্রেনিং চৎলুরবা এসিষ্টেন্ট ফিফা ফংখ্রবী রঞ্জিতা ফাওবা হন্দক্তা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপতা য়াওবা ফংদবগী অচৌবা মরম অমসু ওইখি।

ইন্দিয়াগী ওইনা ইংলেন্দগী রেফরি দিরেক্টরগী মখাদা গ্রাসরুট লেভেলদগী দিভলপ তৌনবা কন্না হোৎনরি।

ষ্টেটকী থাক্তা কুমথরক্লবদি য়াম্না অনেম্বা থাক্তা লৈরি। রেফরিশিংগী কম্যুনিকেসন সেট ফাওবা লৈত্রি অমদি ঙসি ফাওবদা ফ্রী ওইনা মেটচ কন্দক্ত তৌবা ঙমদ্রি। ষ্টেট অসিগী ওইনা মতিক চাবা ফিল্ড অমা ফাওবা নীংথিনা থম্বা ঙমদ্রি। মসিমক্না বেষ্ট প্লেয়রগী পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমদনা লাক্লি।

আই এস এলদা শীজিন্নরিবা কম্যুনিকেসন সেট অসি সেট অমদা লুপা লাখ ৩ খরা হেন্না পীরি। মসি পূম্নমক অসি ষ্টেট অসিদা শীজিন্নবা ঙমদ্রি। ষ্টেটকী লৈরিবা রেফরি কম্মিটি অসি অহেনবা বজেট থাদদুনা মপাঙ্গল কলহল্লবদি তপ্না তপ্না চাউখৎলকপা ঙমগনি থাজৈ হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা ওক্টোবর ৩০দগী হৌদুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না চথরকপা অনীশুবা মাষ্টর্স এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখ্রে।



অহৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপকী মিটর ৪০০গী লমজেলদা পি ঐচ কলাচান্দ, টি ঐচ মোহোর, টি ইবোমচা, এল অশাকুমার, বি যোগমণি, এম ইবোতোম্বী অমদি এল ধনবিরনা গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি। নুপীগীদা টি ঐচ মঙ্গী, টি ঐচ অশালাতা, টি ঐচ শান্তি, ৱাই সোবিতা অমদি টি ঐচ একাশিনীনা গোল্ড ফংখি।

নুপাগী দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা দল্লিয়ু থোইবা, ও মঙ্গিসনা, এন রতনকুমার, এস ধনেশ্বর, আর কে করুনামি, দল্লিয়ু ইবোমচা, এস মোম্বা, এম ইবুংচো, কে কেশো অমদি এল ইবোপিশকনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি। নুপীগীদা এস মেমতোম্বী অমদি এল রাশীনা গোল্ড মেদল ফংখি।

নুপাগী মিটর ৫০০০গী লমজেলদা এল হাইমো, ৱাই ব্রোজেন, এন সনাতোম্বা, টি ঐচ নবকুমার, ৱাই শামু, এন ব্রজমণি অমদি এস মনিমোহোননা তোঙান-তোঙানবা চহী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি। নুপীগীদা এন সুনিতা, এন রঞ্জনা, ৱাই চন্দ্রকালা, টি ঐচ একাশিনীনা গোল্ড লৌখি।

অনীশুবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী হেম্মর থ্রোদা এস মোম্বা, এ সুরচন্দ্র; ট্রিপল জম্পদা কে ঐচ মনিচান্দ, এল মঙ্গি, দল্লিয়ু কুমারজিৎনা গোল্ড লৌখি।

নুপীগী লোং জম্পদা টি ঐচ রাধেসনা, এল বেমবেম, এস লক্সমী, এস চাওবা অমদি টি ঐচ মেমথোইবীনা গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন এন সনাতোম্বা অমদি মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রসিদেন্ট এম অজিৎ কুমারনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন লীগ

# য়াইফবগী গোলনা ক্রিপসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): দল্লিয়ু য়াইফবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৪৬ অমদি ৫৩দা চনখিবা গোল অনীগী মতেংনা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা কে এ এল ৱাই সী চজিং করামবু ২-০দা চথরিবা ৫শুবা এস ঐচ মণি থর্দ দিভিজন লীগকী ঙসি মালোমগী ৱাই দল্লিয়ু সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই এ সী য়ুরেম্বমনা এম এস সী মালোমবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

ৱাই এ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রোবর্টো কার্লোনা ২ অদুগা এম বিকেশ অমদি দল্লিয়ু কার্লিশনা অমমম্ চনখি।

মালোমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাজেশ কুমারনা চনখিবনি।

# ষ্টেট খো-খো চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরনা শীন্দুনা ৪৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট সিনিয়র (মেন এন্দ ৱিমেন) খো-খো চেম্পিয়নশিপ ঙসি খুমন লম্পাক খো-খো গ্রাউন্দদা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিককী দিন ডা. উষা এস নায়রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা টিম ৯ অদুগা নুপীগীদা টিম ৬না গ্রুপ অনী থোক্লুনা শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা এস ৱাই এ সলুংফমনা পি ঈ এস এস দি এম সাইন্সপু ১১-৯, এন এস য়ুনিভর্সিটিনা পি কে দি সী অথোকপমবু ২২-১১, পি ঈ এস এস দি এম সাইন্সনা পি কে দি সী অথোকপমবু ২৩-১৭ অমদি এন এস য়ুনিভর্সিটিনা এস ৱাই এ সলুংফমবু ১৬-১৫দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোকনা পি ঈ এস এস দি এম সাইন্সপু ১১-৪ অমদি আর ৱাই সী কৈবীনা বাসু খাঙবোকপু ৯-৪দা মায়থীবা পীখি।

দি এস এ ককচীং থর্দ দিভিজন লীগ হৌদোকখ্রে

# কে এফ সী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা আর ও এল ককচীংগী প্রসিদেন্ট ডা. টি ঐচ ওজিৎনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেটচতা ককচীং ফুটবোল ক্লব (কে এফ সী)না থোংজু য়ুনিয়ন ক্লব (টি য়ু সী)বু ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

কে এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস অমিট কুমার, পি হরিমেক্স অমদি এম মিলনজিৎনা শান্নবগী ২৬, ৫৪ অমদি ৫৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। টি য়ু সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এল ধনঞ্জয়না শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# কিংস এম সী জেনা বুংসোং থোইখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): থুংচেং য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা থুংখু ৯-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা কিংস এম সী জেনা বুংসোং এফ সীবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি এস থুমসননা কিংস এম সী জেগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা বেরুখুদমনা দারিং এম টিবু ১-০দা মায়থীবা পীখি। ঐচ বি ওলিভরনা বেরুগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা পি এম টিনা অননোন ব্রদর্সপু ৩-২দা মায়থীবা পীখি। হৌমিনলুন, পি কে অমদি লেটখোলেননা মায় পাকপগী গোলশিং চনখি।

# ফ্লাম, এফ সী ইম্ফাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): সন্দে এফ সীনা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ডা. মনাওতোন অমদি চন্দ্রশখি মাষ্টর্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ফ্লাম য়াইস্কুলনা ভি এফ সী ককৱাবু ২-০দা মায়থীবা পীখি।

রঞ্জিৎ অমদি সচিননা শান্নবগী ১৮ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা ফ্লামগী মায় পাকপগী গোলশিং চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী ইম্ফাল ক্বাকৈথেলনা টি বি এস এফ এ তৌবুংখোকপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সী ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সৈলম সিংসন, রোলান সিটলৌ অমদি হেলাল সিটলৌনা চনবা ঙমখি।

# পেনকাক সিলাটকী মেদলিষ্টশিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): হন্দক্তা স্রিনগরদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন অমদি নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপতা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয় ৪ ঙসি য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টরনা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অচম্বা খূদোল পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি শমজেৎসাবম বিধ্যালক্সমী (গোল্ড অমদি সিলভর), য়াইখোম কিরন (গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ), য়াইখোম অঞ্জলি (সিলভর) অমদি থৌনাওজম রিতা চনু (ব্রোঞ্জ ২)নি।


# রাচন্দ্র চীফ দি মিসন খনখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): শিল্লোংদা নভেম্বর ১০দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসকী মণিপুর ষ্টেট কন্টিঞ্জেন্টকী চীফ দি মিসন ওইনা এম ও এগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম রাচন্দ্রবু খনখ্রে। এম ও এগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর এন ইবুংঙোচৌবীবুনা দেপ্যুটি চীফ দি মিসন ওইনা খনখি।

# রেফরি ৩ সাইদলাইনদা থমখ্রে

ইম্ফাল,নভেম্বর ১(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা মেটচ কম্মিস্নরশিংনা থাঙ্গৎলকপা রিপোর্ট ঙসি কুপ্না খন্নরবা মতুং রেফরি অহুম্বু অনওথোরাইজ ওইবা টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারম্বগীদমক থা ৬ সাইদলাইনদা লৈহন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। রেফরিশিং অদুদি সান্ত মৈতৈ লাইরেঞ্জম, তোম্বী শৌগ্রাকপম অমদি মহেশ কুমার হৈরাংখোংজমনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 616**

**IM Nubairshah Shaikh Mohammad (2461) - GM A. Puranik (2603)**
**MPL Indian Chess Tour #4 chess24.com INT, 2022.10.03**

1.d4 Nf6 2.c4 g6 3.Nc3 d5 4.Bf4 Bg7 5.e3 O-O
6.Qb3 c5 7.cxd5 cxd4 8.exd4 Nbd7 9.Be2 Nb6 10.Bf3 h6
11.h3 Bf5 12.Rd1 g5 13.Be5 Qd7 14.Nge2 Rad8 15.Ng3 Bg6
16.Bxf6 exf6 17.O-O f5 18.a4 g4 19.hxg4 fxg4 20.Be4 f5
21.Bb1 h5 22.Rfe1 h4 23.Re6 hxg3 24.Rxg6 Qe8 25.d6+ Kh7
26.Rxg4 gxf2+ 27.Kxf2 Rxd6 28.Nb5 Rh6 29.Qg3 Qd7 30.Rc1 Nd5
31.Kg1 a6 32.Nc7 Rf7 33.Nxd5 Qxd5 34.Qf4 Rd6 35.Rh4+ Kg8
36.Rc8+ Rf8 37. ...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 615 Ans. :**

27. ...Rb2 The black rook deflects White's queen away from protecting the square c4 and the square d3. Opening the line from c4 to f1. 28. Qxb2 Qc4+ The black queen attacks White's king, which is defending White's rook. 29. Ke1 Rxg1+ 30. Kd2 Qd3#

27. ...f5 28. Rd1 Qc6 29. Rg2 Rd6 30. Rxd6 Qxd6 31. Kg1 Rc8 32. Kh2 h6 33. Qh5 Rf8 34. Qg6 Qxg6 35. Rxg6 Rf6 36. Rxf6 gxf6 37. Kg3 Kg7 38. Kh4 Kg6 39. Kg3 Kh5 40. Kg2 Kh4 41. Kh2 Kh5 42. Kg3 Kg6 43. Kh4 a6 44. a3 a5 45. a4 h5 46. Kg3 Kh6 47. h4 Kg6 48. f3 exf3 49. Kxf3 Kf7
0-1



HL-P/4575/1-30/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com